# বাংলাদেশতা মীখল মাঙওইননা পোল্লিং ষ্টেসনশিং মৈ থাখ্রে



*ধাকা, জনুৱারি ৪ঃ* বাংলাদেশকী চয়েৎনবনা থল্লবা হয়েংগী মীখল অসিগী হেক মাঙওইননা য়ামদ্রবদা পোল্লিং ষ্টেসন ১০০ হেন্না মৈ থাখ্রে। থৌদোক অসি মীখল অসিবু বোয়কোট তৌরিবা ওপোজিসননা নুমিৎ নিনি চুপ্পা লাউথোকখিবা ষ্ট্রাইক অমা চংশিল্লিঙৈ মরক্তনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

নিংশিংবা য়াবদি চয়োল কয়ামরুম মীখলগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা চথুরকপা ইরাংদা মীওই ১০০ হেন্না পুন্সি মাঙখ্রবনি। ওপোজিসননা পাল্লিবদি মমাংগী চহিশিংদা তৌবগুম্না মীখলগী থৌরাংশিং য়েংশিন্নবা কেয়ার টেকর এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লৈহনবা পাম্বনি। অদুবু গভর্নমেন্টনদি মদু য়াখিদবনি। পুলিস অমদি ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২০ লোমদা পোল্লিং ষ্টেসন ১০০ হেন্না মৈহৌ লাংপোক থোকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বদি স্কুলশিং অমসুং অতৈ সিভিক বিল্ডিংশিংদা ওইবনি। খ্বাইদগী নৌবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিংদা স্কুলশিংনা টার্গেট অয়াম্বা ওইরি। হৌখিবা ইরাইদগী হৌনা স্কুল অমদি কলেজ কয়ামরুম মৈ থাখ্রবনি। বাংলাদেশকী পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বদি লৈবাক্কী অরাপ্পা মফমশিংদা লৈবা প্রাইমারি অমদি সেকেন্দরি স্কুলশিংদা ওই। অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা অদুগা খুদোংথিবা লৈবা মফমশিংদা আর্মি দিপ্লোই তৌদুনা শেন্নহল্লবসু নুমিৎ হেক তাখিবগা অসিগুম্বা মৈহৌ লাংপোকশিং অসি চথুরকপনি।

পেসেঞ্জর বস খরগা পোৎ-চৈ পুবা লোরি খরগা তঙাইফদনা ব্লোকেদ থুগাইদুনা থৌদোক্লুবদা ফয়ার বোমশিং লংশিল্লকখি। কোনুং ওইরিবা ধাকাদি খরা চিক্না লৈরবসু সিটি অসি লৈবাক্কী মফম অতৈগদি শম্নদনা লৈরি। দুকানশিং অমদি মোলশিং থোঙ লোনবা নত্রগনা পোৎ-চৈ অমত্তা য়াওদনা লৈনরি।

অমরোমদা মীখল হায়বসি বাংলাদেশতদি কুপ্পে অমা ওইবনি। অদুবু হনবা লৈতনা চথুরক্লিবা হন্দক্কী ভাইওলেন্স অসিনা মীখল অসি অকিবনা থনবা মীখল অমা ওইরে।

খা-নোংপোক থংবা চিতাগোং রিজনদা গভর্নমেন্ট এদমিনিষ্ট্রেটর অমনা হায়বদা এটেকশিং অসিনা মরম ওইদুনা মফম অদুদগী মীখল পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম উদে হায়না ফোঙদোরকখি।

ৱাকৎলোইশিংনা মৈ থাদোকখ্রবা পোল্লিং ষ্টেসন অহুমসু ঐখোয়না অতোপ্পা মফমদা হোংদোক্লবা থৌরাং তৌরে হায়নসু মুহমদ অবদুল্লাহনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসনগী ফিরেপ শৌগৎপশিং খরসু পুলিসনা কাপ্পদা শিখিবগা লোয়ননা ষ্ট্রাইক শিংনদুনা থৌদোরকপা বসশিংদা ৱাকৎলোইশিংনা পেট্রোল বোমশিং লংশিনবদগী চথোক-চৎশিন তৌবা মীওই কয়ামরুমসু মৈনা চাক্কুনা শিখ্রবনি। ধাকাদা হজেরা বেগম হায়বা ভোটর অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা, ঐহাক ভোট থাদবা চৎনিংই। অদুবু থোক্লিবা ইরাং অসিবুদি অকিবা পোকই। ফিভম অসি হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লবদি য়ুমথং-কৈথংনবশিংগা ঐসু ভোট থাদবা চৎকনি হায়না ফোঙদোরকখি।

পুলিসনা হায়মদা ট্রেন অমগী মীহুৎ থোঙদা পেট্রোল বোম অমা লংশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই ১২ অশোক-অপন থোকখ্রে হায়না ফোঙদোক্লি।

চৈরক অসিদা হৌজিক লৈবাক শিনবা থুংনা আর্মি পার্সোনেল লিশিং ৫০ রোম দিপ্লোই তৌদুনা মীখল অকাইবা থোকহন্দনবা গভর্নমেন্টনা হোৎনরি। ওপোজিসন বাংলাদেশ নেস্নেল পার্টিনা মসিগী লুচিংবী খালেদা জিয়ানা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না লৈবাক শিনবা থুংনা পুং ৪৮ গী ষ্ট্রাইক অমা চংশিনবা হৌখ্রে। লুচিংবী অসিনা মীখল অসিবু খুদোংথিনিঙাই ওইবা মওংদা তৌশিন্নবা তাৎ অমনি হায়বগা লোয়ননা মীয়ামনা মপুং ফানা বোয়কোট তৌনবা তকশিনখ্রবনি। গভর্নমেন্টনা মহাকপু হাউস এরেষ্টতা থম্মী হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

# লেবাননগী অলকাইদা মকোক কষ্টদিদা শিরে



*বৈরুত, জনুৱারি ৪ঃ* লেবাননদা অল কাইদাগী কম্মান্দর ওইবা মজিদ অল মজিদ বৈরুট হোস্পিটাল অমদা কষ্টদিদা শিখ্রে হায়না লেবানন আর্মিনা ফোঙদোরক্লি।

অব্দুল্লাহ অজম বৃগেদস হায়বসিবু লুচিংবা সাউদি মচা অসি সাউদি অরাবিয়াগী খ্বাইদগী ৱান্টেদ ওইবা টেরোরিষ্টশিংগী লিষ্টতা য়াওদুনা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা লেবাননদা ফাখিবনি। আর্মি জেনরেল অমনা হায়বগী মতুংইন্না মিলিটেন্ট অসি কিদনি ফেল ওইবদগী শিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না লুচিংবা গ্রুপ অসিনা মিদল ইষ্ট শিনবা থুংনা এটেক কয়ামরুম চথুখি। অদুগা হৌখিবা নভেম্বর থাদা ইরানগী বৈরুট এম্বেসিদা বোম এটেক চথুদুনা মীওই ২৩ হাৎখিবা অদুগীসু ক্লেইম তৌখিবনি।

ইং ২০০৯ দা শেমখিবা লুপ অসি ইজিপতা ইং ২০০৪ অমসুং ২০০৫ দা চথুখিবা এটেকশিং অদুগীসু ক্লেইম তৌখিবনি। অদুগা ওমানগী সমুদ্র মপালদা জপানগী ওইল টেঙ্কর অমদা ইং ২০১০ দা চথুখিবা এটেক অদুসু লুপ অসিনা চথুখিবনি হায়রি।

ইং ২০০৯ দা ইজরেলগী মায়োক্তা রোকেটশিং কাপশিনখিবা অদুসু অলকাইদাগী লেবানিজ ব্রিংনা চথুখিবনি হায়না খন্নখি। অদুমকপু মদুগী মতুংদগী এম্বেসি বোম্বীং অদু নত্তনা অতোপ্পা অচৌবা এটেক অমত্তা চথুদনা লৈরকপনি।

ইং ২০১২ দগী হৌনা মজিদ অল অজিদনা অল কাইদাগী লেবানিজ ব্রিং লুচিংদুনা লাকপনি। লেবাননগী আর্মিগী চেরোল অমনা হায়বগী মতুংইন্না মজিদ অল মজিদ অসি ঙসি বৈরুটতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা শিরে। মহাক শিখিবা অসি মেদিকেল ট্রিটমেন্ট চথুরিঙৈ মনুংদনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিক্যুরিটি সোর্সশিংনা হায়বদসু কিদনি ফেল ওইবদগী মজিদ অসি কোমাদা লৈরকপনি হায়না ফোঙদোকই। হৌখিবা ইরাই খক্তদা লেবানিজ ওঠোরিটিনা ফোঙদোরকপদা দি এন এ টেষ্ট অমা চথুরবা মতুংদা মহাক অসি মজিদনি হায়বা অশেংবা মশক খঙলকখিবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোকই।

দিফেন্স মিনিষ্টর ফয়েজ ঘোসননা কম্মান্দর অসি আর্মি ইন্টেলিজেন্সনা বৈরুটতগী ফারে হায়বদু কনফার্ম তৌখ্রবনি। অদুগা ফারবা মতুংদা অরোনবা ফিভম অমদা ৱাহং পাউহং চথুরি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু মহাক অসি করম্না কদাইদগী চপ চানা ফাখিবনো হায়বদুদি ফোঙদোরকখিদে। লেবানিজ সিক্যুরিটি লিখুন অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা মহাক অতোপ্পা মিলিটেন্ট অমগা লোয়ননা ফাখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# অলকাইদাদা অল্টিমেতম পীরে

*অলেপো, জনুৱারি ৪ঃ* এক্টিভিষ্টশিংনা হায়বগী মতুংইন্না সিরিয়াদা খুৎ থোক্নবগী থবক কন্না চথুরিবা ইস্লামিক রিবেল খরনা মখোয়গী রাইভেল ওইরিবা অলকাইদাগা শম্নবা লুপ অমদা সরেন্দর তৌরক্নবা পুং ২৪ গী অরোইবা মতম থাখ্রে হায়রি।

সিরিয়াগী অৱাং থংবদা লৈবা প্রোভিন্স অনিদা লালহৌবশিংনা অকনবা মওংদা নুমিৎ কয়ানিমরুম খুৎ থোক্নরিঙৈ চৈরক্তা অল্টিমেতম অসি থোক্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি ইদলিব অমদি অলেপোদা হৌজিক হৌজিক সিরিয়াগী রিবেলশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্নরিবনি। বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়াগী হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ অমনা হায়বদা ইস্লামিক গ্রুপশিংগী এলায়েন্স অমনা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক্কী মিলিটেন্টশিংগা কন্না খুৎ থোক্নরি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা মীওই কয়ামরুম শিখ্রে হায়না অৱাং-নোংচুপ থংবা ইদলিবতা এক্টিভিষ্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। খুৎ থোক্নবা অসি হৌখিবা ইরাইদগী অমুক নৌনা হৌরক্তুনা অকোইবা মফমশিংদসু শন্দোকখিবনি।

# য়ুনাইটেদ কিংদমদা ঈচাওনা অৱাবা চৈথেং পীরে



*লণ্ডন, জনুৱারি ৪ঃ* য়ুনাইটেদ কিংদমগী মফম কয়ামরুমদা ঈচাওগী অকিবা লৈরি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ৱার্নিং তৌরিঙৈ চৈরক্তা হায় টাইদ অমদি অকনবা নুংশিৎনা ৱেলস, স্কোটলেন্দ অমদি ৱেষ্টর্ন ইংলেন্দদা ঈচাও থোকহল্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

গ্লোসেষ্টর সাইয়র অমদি দোর্সেটতদি শাথিবা ঈচাওগী ৱার্নিংগা লোয়ননা মীশি মীনা থোকপগী ওইথোকপা লৈরে হায়রি।

দোর্সেট অমদি এব্রিস্বাইথকী মফম খরদা লৈবা মীওইশিং মশা মশাগী য়ুমদগী হৌখিবা ইরাইগী অহিংদা হোংন্দোকখি। ঈচাও থোকপা য়াই হায়বগী ৱার্নিং লৈদুনা মখোয়বু হোন্দোকখিবনি। অদুবু পীখিবা মতমদি লাম্থোকখ্রে।

মীওই ১০০ রোম এব্রিস্বাইটকী স্কুল অমদা চংজফম লৌখি। অৱাং থংবা আইয়রলেন্দদনা হায় টাইদ অমদি অকনবা নুংশিৎনা সমুদ্র মপালগী মফম খরদা ঈচাও থোকহনখি। অদুবু টাইদ অদু বেলফাষ্ট এরিয়াদদি খ্বাইদগী ৱাংনা কারবসু অচৌবা ঈচাওমক্তি থোকখিদ্রে।

দেভোন অমদি কোর্নৱালদা টাইদনা মরম ওইদুনা লম্বীশিংদা ঈচাও থোকখি। রোয়েল নেস্নেল লাইফ বোট ইন্সটিট্যুসন (আর এন এল আই) গী টোম মান্সেলনা হায়বদা লুৱি, কিংস ব্রিদজ অমদি সালকোম্বীদা ঈচাও থোকখি। অদুবু ঐখোয়না খল্লম্বা অদু য়ৌনা শাথিবদি ওইখিদে হায়না ফোঙদোকখি।


ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিং অমদি এনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিশিংনা থাদোরকপা মেসেজশিং মানসেলনা অমুক্কা হন্না পল্লদুনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইরিবদি সমুদ্র য়েংনবগীদমক ঈশিং মপালদা চৎপা মীওইশিংদনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা কান্দা সমুদ্র অসি কদাই ফাওবা খুদোংথিনিঙাই ওইরকপগে হায়বদু মখোয়না খঙদে। ঐখোয়না হায়নিংবদি চানবীদুনা সমুদ্রগী ঈশিংদগী লাপথোক্লা লৈবিয়ু অসিখক্তনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরক অসিদা এনভাইরোনমেন্ট সেক্রেটরি ওয়েন পেটর্সননা হায়বদা, এজেন্সি অসিগী থবক কয়ামরুম মাঙবা য়াবগী ওইথোকপা লৈদুনসু এনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিনা ফ্রন্ট লাইন ফ্লদ দিফেন্স সার্ভিসতি ঙাক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্টকী দিপার্টমেন্ট অমা ওইরিবা ফুদ এন্দ রুরেল এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খিবদা, ঈচাওগী খুদোংথিবা অমদি সমুদ্র মপাল শোকচিনবদগী কন্নবা মসিনা পাউন্দ বিল্লিয়ন ২.৩ চাদিং তৌখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# খা সুদান লালহৌবশিংনা গভর্নমেন্টকা ৱারী শাগদৌরি



*এদিসঅবাবা, জনুৱারি ৪ঃ* খা-সুদানগী লালহৌবশিংনা অহানবা ওইনা গভর্নমেন্টকা হকথেংননা ঙসিদগী ৱারী শান্নরগনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

চয়োল খরা ইমু-নাইমু তানরকপা অদু লোইশিন্নবগী পান্দমদা ৱারী শানবা অসি চথুগদৌরিবনি হায়না ইথিওপিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

খা-সুদানগা য়ুমথংনরিবা ইথিওপিয়াদা ৱারী শান্নবা থৌরাং তৌরিবা অসি হৌখিবা ইরাইদগী হৌরকপনি। নুমিৎ কয়ানিমরুম ৱারী শান্নবা হোৎনরকপদা খুৎ থোক্নরিবা মায়কৈ অনিমক্না মুক্নদুনা লৈরকপদগী থিম্বরকপনি। মরকসিদা খুৎ থোক্নরিবা নাকল অনিমক্কী মীহুৎশিংনা লমদম অসিগী আই জি এ দি গ্রুপতগী লাকপা মেদিয়েটরশিংগা তোঙান তোঙান্না উন্নদুনা মখোয় মখোয়গী ফিরেপশিংদি ফোঙদোকখ্রবসু হকথেংননা ৱারী শানবদি য়ানদদুনা লৈরকপনি।

অদুবু প্রসিদেন্ট সলভা কিয়ারগী ফোর্সশিংগা হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিয়েক্ট মচারবু শৌগৎপা লালহৌবশিংগা হৌখিবা ইরাই ফাওবদা খুৎ থোক্নবা লেপত্রি হায়না ফোঙদোক্লুখিবনি।

চৈরক অসিদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পনবা ৱাফম অমা পুখৎখিবা অদুসু য়ানদুনা চৎনবগী খোঙথাংদি ওইথোকপগী ফিভম উদ্রি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোকই।

ইথিওপিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর তেদ্রোস অধানোমনা হায়বদা ঐখোয়না ৱারী শানবগা মানবা খোঙথাং অমদি মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎতগীদি হকথেংননা ৱারী শানবা হৌনবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা খা-সুদানগী য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংনা লৈবাক অসিগী কোনুংদগী মমাং থাদা পাক শন্না শন্দোরকখিবা খুৎ থোক্নবগী থবক অসি কাংলুপ নাইবা মওংদা ওম্থেখিদুনা লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোকপা য়াবগী ফিভম হৌজিকসু লৈরিবনি।

মমাং থাদগী হৌনা চথুরকপা ইরাং অসিদা মীওই লিশিং অমা হেন্না শিখ্রে। অদুগা চয়োল অহুম রোম চুপ্পা খুৎ থোক্নরকপদা মীকোক লাক্ষ ২ হেনবসু লৈফম চাফম খঙদবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মরাং কায়বা পোথোক অমা ওইরিবা থাউগী মার্কেটসু লৈতাফম খঙদবা ফিভম অমদা লৈরে। খা-সুদান অসি আফ্রিকা কন্টিনেন্ট মনুংদা খ্বাইদগী শোত্থবা লমদম অমসু ওইরিবনি।

# সোচিগী দেমোন্সত্রেসনশিংদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

*মোস্কো, জনুৱারি ৪ঃ* মথং থাদা সোচিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক্স মনুংদা মীয়ামনা ৱাকৎ ঈহৌ চথুবা য়ারোই হায়না থল্লম্বা অথিংবা অদু রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রাইটসকী রেকোর্ড ফজহন্নবা মালেম পুম্বদগী ক্রিটিসাইজ তৌরকপা অদুগী য়েংদুনা লৌথোকখ্রে।

ঙসি প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা দিক্রি অমগী মতুংইন্না অথিংবশিং অসি লৌথোকখিবনি।

শান্নবগী থৌরম অসিগা মরী লৈনদবা মীয়ামগী দেমোন্সত্রেসন অমত্তা চথুবা য়ারোই হায়না ওরিজিনেল দিক্রি অদুদদি অথিংবা থল্লকখিবনি। অদুবু মীয়ামগী নিং-তম্না ফোঙদোকপগী হক্তা খুৎ থিংজিনবনি হায়না রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা অথিংবা অসিবু কন্দেম তৌনখিবনি।

রুসিয়ানা হন্দক্তা হোমো সেক্সুয়েল প্রোপেগন্দা চথুবা য়ারোই হায়বা অথিংবা অমা থমখিবা অদুগী মায়োক্তা সোচিদা শান্নরোই খরনা ৱাকৎ খোঙজংশিং চংশিনগনি হায়না থৌরাং তৌখিবনি।

ৱাফম অমনা রুসিয়াগী এন্টি গে লো অসিনা নোংচুপ লৈবাকশিংদসু অকনবা য়ানিংদবগী খোল্লাও থোকহন্নবা মরম ওইরে। ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রান্সিস হোর্লান্দে য়াওনা নোংচুপ লৈবাক্কী লুচিংবা খরনা এন্টি গে লোগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবনি।

শেমদোক্লবা প্রসিদেন্টকী দিক্রি অসিদা হায়বগী মতুংইন্না রেল্লিশিং, দেমোন্সত্রেসনশিং অমদি মীয়ামগী খোঙচৎশিং পাঙথোকপদি য়াগনি। অদুবু শিল্লি-লাংলিবশিংনা শরুক য়াগদবা মীশিংগী মশিং, মফম অমদি মতম খঙহল্লগা ওঠোরিটিশিংদগী অয়াবা অমা লৌবদি মথৌ তাগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পুক্লিং চিংশিংনবা য়াবা ৱাফম অমনা অথিংবা থল্লিবা অসি মরুওইনা সিক্যুরিটিগী মরী লৈনবা খুদোংচাদবা খরদগীদমকনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি। চৈরক অসিদা সোচিগী মনাক নকপদা লৈবা নোঠ কোকেসসতগী টেরোরিষ্টকী অকিবা অমা পীরক্লিবা অসিগী য়েংদুনা সোচিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্স গেমস অসিগীদমক রুসিয়ান ওঠোরিটিনা মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎলবনি।

নিংশিংবা য়াবদি অনৌবা চহিগী হেক মমাংদা স্যুসাইদ বোম এটেক অনি বোলগোগ্রেদতা চথুরক্তুনা মীওই ৩৪ শিখিবগা লোয়ননা ৬০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রবনি।

রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিন মশামক সোচিদা লৈদুনা ওলেম্পিক ফেসিলিটি পুম্নমক্তা য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি হায়নসু মহাক্কী প্রেস সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকখ্রে।

# পর্ভেস মুসারফ মীরৈবাক্তা হার্ট সর্জরি পাঙথোক্কদৌরি

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ৪ঃ* পাকিস্তানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জেনরেল পর্ভেজ মুসারফকী থম্মোয়দা হৌজিক-হৌজিক ঈ পুবা শিংলি অহুম ব্লোক তৌদুনা লৈবদগী হার্ট বাই পাস নত্রগা এনজিওপ্লাষ্টি চথনবগীদমক মীরৈবাক্তা পাইবা য়ানা লৈরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেদিকেল বোর্দকী লিখুন অমনা মুসারফতা হৌজিক-হৌজিক ঈ লাংথোকহন্নবা হিদাক থারি হায়খ্রে হায়না দাউন পাউ-চেগী পাউ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মেদিকেল বোর্দ অসিনা জেনরেল পর্ভেজ মুসারফ দুবাইদা নত্রগা লণ্ডনদা লায়েংলুবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

হান্নগী মিলিটরি রুল্লর অসি হৌখিবা শগোলশেলদা আর্মদ ফোর্সেস ইন্সটিট্যুট ওফ কার্দিওলোজিদা এদমিট তৌদুনা লায়েংখিবনি। মহাক্কী মথক্তা লৈবা ত্রিজন কেস অমগী হিয়ারিং চথনবা অখন্নবা ৱায়েলশঙ অমদা লাকপদা লম্বীদা থবাক নারকপদগী হোস্পিটাল অসিদা পুশিনখিবনি। থৌদোক অদুনা কেস অসিগা মরী লৈননা মহাক্না কোর্টতা লাক্কদবা থেঙ্খাং অহুম্লকশুবা ওইনা লাকখিদবনি।

মুসারফকা নক্লবা সোর্স অমনা হায়বগী মতুংইন্না জেনরেল অসি হৌজিক কা হেন্না ৱাখলগী অৱাবা ময়োক্লরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মেন্টেল ষ্ট্রেস অসিনা থোকহনবা ওইরম্বা য়াবা থবাক নাবা অদুনা মরম ওইদুনা মহাক হৌজিক লায়কন্নরিবনি।

অমরোমদা পাকিস্তানগী ওঠোরিটিশিংনা মুসারফপু মীরৈবাক্তা চৎপা য়াদবগী অথিংবা থল্লম্বা অদু হেক্তমক লৌথোকখিরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি মহাক্না পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসনগী ৱায়েকশিংগী ৱাংমদা লৈবাক অদুদা ইমর্জেন্সি রুল থমজিনখি হায়বগীদমক মহাক্কী মথক্তা পাকিস্তান গভর্নমেন্টনা ত্রিজন কেস অসি লৌখৎলকপনি। কেস অসিদা মরাল লৈ হায়বগী খুদম ফংলগদি মুসারফ শিবগী চৈরাক নত্রগা পুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লৈবগী চৈরাক ফংবা য়ারিবনি।

# ইমিগ্রেসন ৱাথোক্তা জর্মন কোলিসন ২ থোক্লে





*বার্লিন, জনুৱারি ৪ঃ* য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন মনুংদা লৈবা রোমানিয়া অমদি বলগেরিয়াগী ৱার্করশিংনা য়ুনিয়ন মনুংগী লৈবাকশিংদা মনিং তম্না চথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনবগী মতাংদা জর্মনিগী গ্রান্দ কোলিসন হায়রগা খঙনরিবা সোসিয়েল দেমোক্রেটস অমদি কঞ্জার্ভেটিভশিংগী মনুংদা চাওনা য়েংনবা থোক্লে।

কঞ্জাভেটিভশিংনা হায়রিবনা য়ুরোপকী খ্বাইদগী অনংবা লৈবাকশিংদগী শিন্মীশিং হৌজিক জর্মনিগী য়াইফ-থৌরাং পায়খৎলিবশিংগী কান্নবা চুপথোকপা চংলক্লগনি হায়বসিনি।

চাঞ্চেল্লর এঞ্জেল্লা মার্কেলনা ঙরাং মহাক্কী মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা চাওনা চয়েৎনবা অমা মায়োক্লখি। মিনিষ্টর খরনা রোমানিয়ান অমদি বুলগেরিয়ান ৱার্করশিংদা ৱেলফেয়ার পেমেন্ট পীবা য়ানিংদ্রি। অদুগা জর্মনদা চংলকপা ৱার্করশিং অসি হেক য়ৌরকপগা ফিঙ্গর প্রিন্ট লৌগদবনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি। অদুগা মার্কেল মশাগী ওইবা কঞ্জার্ভেটিভ সি দি য়ুনা নৌনা চংলকপা ৱার্কর পুম্নমক্তা থা ৩ দি ৱেলফেয়ার পেমেন্ট পীরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# কালিফোর্নিয়াদা য়ু এফ ও খরা মীয়াম্না উনখ্রে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ৪ঃ* কালিফোর্নিয়া শিনবা থুংবদা সিটি কয়ামরুমদা মীয়ামনা অন আইদেন্টিফাইদ ফ্লাইং ওবজেক্ট (য়ু এফ ও) কয়ামরুম ঙরাং উনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অনৌবা চহিগী অয়ুক্তসু অঙকপা মঙাল কয়ামরুম অতিয়াদা উখি হায়রি। ষ্টোকটোনদা মীওই অমনা মহাক্কী আইফোন শীজিন্নদুনা য়ু এফ ও খরগী ভিদিওসু লৌহৌখি।

মহাক্না হায়খিবদা কোন্না মচুগী অরংবা মঙাল থাদোকপা য়ু এফ ও ৬ উখি হায়না ফোঙদোকখি।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান





## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-117

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 7 | | | | 8 |
| 1 | | | 9 | | | | 2 | |
| | 6 | | 3 | | 5 | | | |
| 8 | | | 6 | 4 | | | | 2 |
| | | | | | 9 | | | |
| | 1 | 7 | | | | 9 | | |
| | 5 | | | 8 | | | | 3 |
| 7 | | | | | | 6 | | |
| | | | | | 3 | | 8 | 9 |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 9 | 5 | 4 | 6 | 3 | 8 | 7 |
| 5 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 | 9 | 1 |
| 4 | 3 | 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 2 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 8 | 6 | 3 | 2 | 7 | 4 |
| 2 | 7 | 3 | 4 | 1 | 5 | 8 | 6 | 9 |
| 6 | 8 | 4 | 2 | 7 | 9 | 5 | 1 | 3 |
| 3 | 9 | 6 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 8 |
| 7 | 4 | 1 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 2 |
| 8 | 5 | 2 | 7 | 9 | 4 | 1 | 3 | 6 |

**FILL THIS BLANK:**

*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*